

# সনালৈবাক স্পোর্টস

SUNDAY, DECEMBER 15, 2013, PAGES 7



*ইটালিগী মায়কৈদগী গেম ২৯ শান্নবগী মনুংদা গোল ১২ স্কোর তৌখিবা মশাগী চহী ২৩ খক্তা ঙাইরিবা ষ্টাইকর মারিও ।*

*লিওলেল মেসিনা অরজেন্টিনাগী স্পোর্টসমেন ওফ দি ইয়ার এৱার্দ ফংগনি হায়না জ্বান মার্টিন দেলপোত্রোনা খল্লি।*

## ষ্টেট লেভেল কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং চেম্পিয়নসিপ য়ুনিট মরিনা শরুক য়াদুনা হৌখ্রে

*ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৪ঃ*

য়ুনিট মরিনা শরুক য়াদুনা ঙসিদগী কংলা মোটতা ওল মণিপুর কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মরিশুবা ষ্টেট লেভেল কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ হৌখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ারিবা য়ুনিটশিং অদুদি এ এন ৱাই টি কে লালাম্বুং, এস ৱাই সি সেন্দ্রে, এল পি সি মোইরাং অমদি এন ৱাই কে থাংমৈবন্দনি। ঙসি অহৌবা নুমিত্তা শন্নখিবা কে–২ ইভেন্টকি মিটর ২০০ ব্রুমেন্সকিদা এ এন ৱাই টি কেগী তামা অমদি সনাজাওবীগী জুরানা ৪৮.৯৪ সেকেন্দ্রদা হোন্দুনা গোল্ড, এস ৱাই সিগী য়াইফবী অমদি সোনিকাগী জুরানা ৫২.৮৭ সেকেন্দদা হোন্দুনা সিলভর অমদি এল পি সিগী মোমোটা অমদি বেবি লক্ষ্মীগী জুরানা ১.১২.৫০ সেকেন্দদা হোন্দুনা ব্রোঞ্চ লৌখ্রে।

সব জুনিয়র বোইজকি মিটর ২০০ গী কে–১ ইভেন্টতা এ এন ৱাই টি কেগী এন জেটলি, এন ৱাই কেগী এ মেরুন অমদি এস ৱাই সিগী এস রোমীওনা মথংশিংনা ৪১.১৯, ৪২.৭১ অমদি ৪৩.৪৩ সেকেন্দদা হোন্দুনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্চ লৌখ্রে।



*জুনিয়র বোইজকি মিটর ৫০০ গী কে–৪ ইভেন্টতা গোল্ড লৌখ্রবা এ এন ৱাই টি কেগী টিম।*

সেনিয়র মেন্সকি মিটর ৫০০ গী সি–১ ইভেন্টকিদা এস ৱাই সিগী ও রাকেস, এন এন ৱাই পি কেগী এন য়াইফবা অমদি এন ৱাই কেগী কে ঐচ বোইনা মথংশিংনা ২.০১.৫৫, ২.০৫.৮২ অমদি ২.১১.৪০ সেকেন্দদা হোন্দুনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্চ লৌখ্রে।

সেনিয়র ব্রুমেন্সকি মিটর ৫০০ গী কে–১ ইভেন্টকিদা এ এন ৱাই টি কেগী এল মিনা, এস ৱাই সিগী য়াইফবী অমদি এল পি সিগী চনচননা মথংশিংনা ২.১৮.৪৬, ২.২৫.১১ অমদি ২.৩৯.০৫ সেকেন্দদা হোন্দুনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্চ লৌখ্রে।

সব জুনিয়র বোইজকি মিটর ৫০০ গী কে–২ ইভেন্টতা এ এন ৱাই টি সিগী এন জেটলি অমদি নাওবগী জুরানা ২.০৪.৮৯ সেকেন্দদা হোন্দুনা গোল্ড, এন ৱাই কেগী টি বুংঙোবা অমদি মেরুনগী জুরানা ২.০৫.৬৮ সেকেন্দদা হোন্দুনা সিভলর অমসুং এল পি সিগী অমরজিৎ অমদি বিজেসকি জুরানা ২.৩২.৭৪ সেকেন্দদা হোন্দুনা ব্রোঞ্চ লৌখ্রে।

জুনিয়র বোইজকি মিটর ৫০০ গী সি–১ ইভেন্টতা এ এন ৱাই টি কেগী এন য়াইফবা এস ৱাই সিগী এস সুনিল অমদি এন ৱাই কেগী কে ঐচ বোইনা মথংশিংনা ২.০৬.৫৯, ২.০৭.৮৯ অমদি ২.০৮.২৪ সেকেন্দদা হোন্দুনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্চ লৌখ্রে।

জুনিয়র গার্লসকি মিটর ৫০০ গী কে–১ ইভেন্টতা এ এন ৱাই টি কেগী এল মিনা, এস ৱাই সিগী ঐচ সোনিকা অমদি এল পি সিগী ঐচ বেবিলক্ষ্মীনা মথংশিংনা ২.০৪.৪৫, ২.২৭.১৮ অমদি ৩.০০.২৩ সেকেন্দদা হোন্দুনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্চ লৌখ্রে।

জুনিয়র বোইজকি মিটর ৫০০ গী কে–৪ ইভেন্টতা এ এন ৱাই টি কেগী এন জেটলি, এন জেক্সন, নাওবা অমদি হরিদাসকি মপাংনা ১.২০.৮৬ সেকেন্দদা হোন্দুনা গোল্ড অমসুং এল পি সিগী দব্লিউ অমরজিৎ, বিজেস, জ্ঞানেশ্বর অমদি কিরনগী মপাংনা ২.৫০.২০ সেকেন্দদা হোন্দুনা সিলভর লৌখ্রে।

সেনিয়র মেন্সকি মিটর ২০০ গী সি–১ ইভেন্টতা এ এন ৱাই টি কেগী এন য়াইফবা অমদি এন ৱাই কেগী কে ঐচ বোইনা মথংশিংনা ৪৩.৭৮ সেকেন্দদা অমসুং ৪৪.৫৭ সেকেন্দদা হোন্দুনা গোল্ড অমদি সিলভর লৌখ্রে।

### *নেসনেল স্কুল গেমস ছেপাক টাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ*

## মণিপুরনা নুপামচা, নুপীমচাগী ৱিন্নর ওইখ্রে



*নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ৱিন্নর ওইখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা*

*ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৪ঃ*

৫৯ শুবা নেসনেল স্কুল গেমসকি ২০১৩ গী চহী ১৯ মখা ছেপাক টাক্রৌ চেম্পিয়নসিপকি নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ৱিন্নর য়ুম্বু মণিপুরনা ওইখ্রে।

স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস গৱর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চখ্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু মণিপুরনা দিল্লীবু ষ্ট্রেট সেটতা ৩–০(১৫–৫, ১৫–৫, ১৫–৬) তা অমদি নুপীমচাগীদা মণিপুরনা নাগালেণ্ডবু সেট ৩–০ (১৫–৬, ১৫–২, ১৫–৪) দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইখিবনি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা মণিপুরগী নুপামচা টিমগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংদি এম সুসিলকুমার, এ প্রিয়োজিৎ শর্ম্মা, ই বিকাস, নোংদ্রেন লৈশাংথেম অমদি এস মালেমঙানবনি। কোচ অমদি মেনেজরনা টি ঐচ মঙ্গিচান্দ অমসুং এ রোমি শর্ম্মনি। নুপীমচাগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংদি ৱাই ঙাম্বোই, দব্লিউ প্রমোদিনি, ই লাইরেনতোম্বী, টি নিরমালা দেবী অমদি এল ঝনশিরারী দেবীনি। কোচ অমদি মেনেজরনা এ রোমি শর্ম্ম অমদি টি ঐচ মঞ্জিবালা দেবীনি।

## রাহুলনা চহী ১০ মখাগী টাইটল লৌখ্রে

*ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৪ঃ*

রাহুলনা গৌরপপু ৪–১, ৪–২ দা মায়থীবা পীরগা চহী ১০ মখা নুপামচাগী সি ৱাই এল সি টেন্নিস টুর্নামেন্টকি টাইটল লৌখ্রে।

চীঙঙামথক য়ং রন্নরস ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী টেন্নিস কোর্টতা চখ্থরকখিবা ষ্টেট ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নুংথিলগী পুং ১ তাবা মতমদা লোইশিল্লগনি। ঙসি শান্নখিবা চহী ১২ মখা নুপামচাগী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা লুচিংনা চার্লেসপু গেম ৮–০ দা অমদি রাহুলনা রজিপবু গেম ৮–৬ তা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে।

ক্বার্টর ফাইনেলগী শান্নখিবা মেটচশিংদা রজিপনা ৱেলটরবু গেম ৮–০ দা, অশরজিৎনা চালেজপু গেম ৮–৫ দা অমদি লুচিংনা য়াইখোম্ববু গেম ৮–০ দা মায়থীবা পীখি। চহী ১০ মখা নুপীমচাগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপনা চারমি অমসুং বিধ্যরানীনা ওইখ্রে।

## মণিপুরগী নেটবোল টিম লাউথোকখ্রে

*ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৪ঃ*

গুজরাটকি মেহসনাদা মথং চহীগী জনুৱারী ৭ তগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৬ শুবা জুনিয়র নেসনেল নেটবোল চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপামচা অমদি নুপীমচা টিম মণিপুর নেটবোল এসোসিয়েসন্না লাউথোকখ্রে।

মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি সি ঐচ কেতানজিৎ, দব্লিউ দেনিস, আরনোল থৌনাওজম, সগির অহমদ, টরুন সি ঐচ, রোবাদো, জেনিথর আর কে, জোন্সন, সি ঐচ এন রোবাট, এন মোটিলাল, নেটো সি ঐচ অমদি এল রোবাসনি। রিজার্বতা কে মোনিস অমদি এম দি অস্লাম থমখ্রে। কোচ অমদি মেনেজরনা কে ঐচ রতন অমসুং এল সান্তকিশ্বরনি।

নুপীমচাগী শান্নরোইশিং অদুদি হেলবেদা হুইদ্রোম, জি নেকিলা দেবী, এম সেলিনা, এম অঞ্জনা, এল মোনিকা, হের্টনৈচোং, কে ঐচ অঞ্জলি, মোনিকা সলাম, এল মিনরভা, এন মিলালিনি, এস সরলাদ অমদি মোনিকানি। রিজার্বতা নেভিয়া অমদি কে ঐচ অসালাতা থমখ্রে। কোচ অমদি মেনেজরনা এল মোধুবালা দেবী অমসুং টি রতন সিংহনি।

## ষ্টেট মরিনা শরুক য়াদুনা দালিপ সিংহ মেমোরিএল নোর্থ ইষ্ট জোন জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়নসিপ হৌখ্রে

*ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৪ঃ*

জিম্নাষ্টিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু মণিপুর য়াওনা ষ্টেট মরিদগী জিম্নাস ৯০ রোম্না শরুক য়াদুনা মরিশুবা দালিপ সিংহ মেমোরিএল নোর্থ ইষ্ট জোন জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ হৌখ্রে। অতোপ্পা ষ্টেটশিং অদুদি ত্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেশ অমদি আসামনি।

চেম্পিয়নসিপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সাই এন ই আর ইম্ফালগী দাইরেক্টর ডা সুভাস বাসুমটরি, কাদাগী এদিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়র কে মনোরঞ্জন সিংহ অমদি জিম্নাষ্টিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট জজপাল সিংহ কান্দারিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওর্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইখি। ওথ টেক্কিংনা নেসনেল জিম্নাস মণিপুরগী কে বিধ্যলক্ষ্মী দেবীনা লৌখি।

পুন্না মেদল ১০৫ লৈগদবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিত্তা তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপকী ইভেন্টশিংগী ক্বালিফায়িং রাউন্দগী মেটচশিং শান্নখ্রে। চহী ১০, ১২ অমদি ১২ মথক্কী নুপীমচা অমদি চহী ১০, ১৪ অমদি ১৪ মথক্কী ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা ক্বালিফায়িং রাউন্দগী ইভেন্টশিং অদুদি ফ্লোর এক্সরসাইজ, ভোল্টিং টেবল, বেলেন্সিং বিম, অন–ইভন বার, পেররেল বার, পোমেল হোর্স অমদি হোরাইজেন্টেল বারনি। চেম্পিয়নসিপ অসি হয়েং লোইশিল্লগনি।



*চহী ১৪ মখা নুপামচাগী রোমান রিংগী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা শরুক য়ারিবা জিম্নাস অমনা পার্ফোমেন্স পীখিবা।*

## ফরনান্দোগী গোলনা সিটিজন্স ক্লব সি সি মিটকি ফাইনেল রাউন্দ চঙহনখ্রে

*ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৪ঃ*

ফরনান্দোগী গোলনা সিটিজন্স ক্লব সি সি মিট ফাইনেল রাউন্দ চঙহনখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী টিম ২০ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চখ্থরকখিবা ৫৭ শুবা সার চুড়চান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বালিফায়িং মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টকি টিম অমা ওইরিবা সিটিজন্স ক্লব সোইবম লৈকাইনা উখ্রুলগী য়ারখোক য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবপু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল রাউন্দগী অরোইবা ক্বালিফাই ওইবা টিম ওইখ্রে।



সিটিজন্স ক্লব অমদি য়ারখোক য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অয়াম্বা শরুক্তা য়ারখোক য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরবসু সিটিজন্সকি এল ফরনান্দোনা ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখিবা গোলনা সি সি মিটকি ফাইনেল রাউন্দ চঙহনখিবনি।

মেটচ অদুগী ২৩ শুবা মিনিটতা সিটিজন্সকি য়ুংরৈ খয়ারদা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসিদগী ফাইনেল রাউন্দগীদমক টিম মরি খনগৎখিবনি। মমাঙদা ক্বালিফাই ওইখিবা টিমশিং অদুদি কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি ইরিল মপাল, ৱাই দি ও হৈনৌখোঙনেম্বী অমদি এম এস ৱাই সি চুরাচান্দপুরনি।

ফাইনেল রাউন্দগী মেটচ থা অসিগী ১৬ তগী হৌরগনি। অহানবা মেটচতা সদর হিলসকি এফ সি খংলাইগা ৱাই দি ও হৈনৌখোঙনেম্বীগা নুংথিলগী পুং ১.৩০ তাবা মতমদা মপাল কাংজেবুংদা শান্নরগনি।


# CHEM

DISTANCE EDUCATION

(CENTRE FOR HIGHER EDUCATION MANIPUR)

*Authoriszd host Institute of Lovely Professional University, Punjab*

**Recognized by UGC**

Regulatory Body of Govt. of India for Open and Distance Learning System)
Vide F.No. UGC/DEB/Decog./2013 (1233-1237)

PROGRAMMES OFFERED

COMPUTER APP./ IT/ COMP. SC. :

**MCA* ,M.Sc. IT *,M.Sc.CS*, PGDCA,PGDIT,PGDCS, BCA* ,B.Sc.IT*, B,Sc. CS*, DCA,DIT,DCS,**

COMMERCE :

**M.Com,B.Com**

*Affordable Fees Structure*

MANAGEMENT :

**MBA*,PGDBM,BBA***

LIBRARY & INFORMATION SCIENCES :

**MLIS,BLIS,DLIS**

ART (in English & Hindi Medium :

**M.A (Hindi, Economics, Education, History, Sociology, Political Science, English, Mathematics) B.A**

***LATERAL ENTRY & MIGRATION ALSO AVAILABLE**

**Prospectus and Application Forms are available at:**

**CHEM**

*CHANGANGGEI, Opp. IMPHAL TULIHAL AIRPORT*

*CONTACT : 0385-2455559 | 8414069061 | 8413036162*



# Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

# MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.